

*“জীব হাৎতুনা চাবা মীদি মুসলমানবু নত্তে,*
*হিন্দু থিদে, হিংচাবনা পানবা থম্মোয়নি।”*
*- হিজম অঙাংহল*
*(জাহেরা)*

ঈগী শৈরেং

## লুপা ২০০গী মমল লুপা ১০০

**—এম নিলাকুমারী**

থেংনরুই, শৈরেং শৈদিন্নগনি
হরাউনা নোকফেৎ তৌনা
ঐগী পামজবা মথেলনি।
নোংঙানবগী পাউচেগী পাউথাং।
খূৎলোন্নরগা, সারবু ইমিং পানখৎচবা
য়াগদ্রা? শৈরেংগীদমক
পাউখুমদি:- হান্নগীগা মান্নদ্রে,
মিংদি হান্না পানখৎনখ্রে
ব্রহ্মন বৈষ্ণবকী ‘নুংশি শৈথারোল’
শৈরেং অমা লুপা ১০০
‘মিনট মঙা মতম’
হল্লগদ্রা ফমখিগদ্রা চরাংনরে ৱাহন্থোক্লি।
এ: মহৌশাদি তৌদেনা লল্লোনপোৎ ওল্লবোই
শৈরেং থিবা অমনসু শৈরেং ৩ থিনিংলি মমলগী
নোংমসু লাইজাও অমা ওক্করুরে
লাইরিক ফোংঙবগী থৌরমনি - লাইরিক লেম্না য়েঞ্জরোই
মফম অসিদা লৈবিরবদি লুপা ২০০
লাইরিক অনী
শৈরেং শৈদিন্নবসু-লাইরিক ফোংঙবসু শেন্দানফম,
শেন্দানফমগীদমক্তি;
য়ু-গুলি, নম্বর ফোর-দ্রগ করবার-মখল মথেল মকোল
লোইনশিল্লোন (সাহিত্য) গী পুক্কৈসে
পুজা তৌফম-ইকায়খুম্নফম ওইদ্রবরা?
থম্মোয়দগী চেন্থরকপা হঞ্জিন হঞ্জিন চুমথোক্লবা:
লাইফমলেন্দা চেনশিল্লকপা অনৈবা ঈশিং পনথিংহৌসিরা?
লাইরিক য়োনফম্না লাইরিক য়োনজসনু
য়েৎনববুদি লোইনাইররোই।

## তাখিদ্রবা খোঞ্জেল

**—শ্রীকাংজম নন্দকুমার**

ঐ শ্বাই লাওখি
খোঞ্জেল অদুনা
কুইনা তাখিদ্রবগী তুংদা
নোংমা য়াম্না থাজদ্রবা
মীৎকুপ অমদা।

খোঞ্জেলদুনা করম্না হকচাংগী
ইন্দ্রিদা থেংখিদুনা,
মীৎলুদগী পিরাং শিন্থখি।

পিরাংদুনা চামথোকখি
অৱাবা থম্মোয়গী মৈচাক
ৱাখলসু ঙহাক পোত্থারদুনা
মীৎকুপ খরদি পোত্থাখি।

উচেক ৱায়া মখল অমতগী
খোঞ্জেল নত্তে,
কায়নখ্রবী মাগী খোঞ্জেল
মীয়াম তিনবা মরক অদুদা
নোংমা য়াম্না থাজদ্রবা
মীৎকুপ অমদা।

## সঙাই ফেষ্টিবেল

**—রাজেন্দ্র সরুংবা**

লাক্লনি খন্না ঙাইজরম্বা
সঙাই ফেষ্টিবেলদি লাক্লেদো।
লম্বী সরক নালহল্লে অকুৎ অতোং শেমজিল্লে
নান্না লমশিৎ ৱাইশিৎলে।
ফজ-ফজবা ষ্টোল, দুকান মচা কয়া
ফেষ্টিবেল মফমদা শাবিরে।
কদায় কদায়দা আ কৈবুলদা
কোনুং লম্পাক্তা, মাউ মরামদা
লম্বোই খোংনাংখোংদা সহরগী কাচিন কোয়াদা
ফজরে নিংথিরে লোক্তাকপাৎ সেন্দ্রাসু
পূক্লিং হুরে মফম খুদিং মণিপুরগী।
সঙাই শা নঙগী নীংশিং নুমিৎসিদা
হৌরে মথুম-মরাং অঙম অথৌ
অচৌ-অশাং ইরমদমগীদা নত্তনা
কনাগী মপান লমগীফাও য়াওররে।
নঙগী কোলোই মিংলেনবু শক শোনবা শৈথাবা
হরাউ মথোই কাজরি মথুম মরাং হৌজরি
ৱাখল তাবা তাদবা নঙগী কোলোই মিংলেন্দা
অদুবু চেকশল্লুকো শকহেনবী
কল্লক মীহৌ চাউবা তাইবঙনি
হাৎপা-তূপ্পা ঙম্বনি
খুদোংথীবদগী কঞ্জনবা, মিৎকুপ নাহুম চেকশিল্লু।

## পুন্সিসে লীলানি লীলা!

**—বি মঙাং**

লম্বীনি চৎলিসে মীয়াম্না
নোংমুক ঙাল্লি নুমিৎমুক তাই
ঙরাংদা ওইরবোই নীংই
অঙাং ওইরিঙৈ পুন্সিদো
পুন্সিসে লীলানি লীলা!
লীলা য়েংলুরগা যূমদা
হন্নরকপা ৱারীনি
নুপী শাবী নুপাদু
নুপীদা নুপীদু মঙাই
কয়াদি নুপী মাল্লে
মাগী ৱাঙাঙ শঙাঙ
শওংনে শাথেকনে।
হেরো শাবদুসু
মাগী ৱাহৈ ৱাতা
ঙাঙথোকপদা তৌথোকপদা
অৱাৎপা অমত্তা লৈতে।
অঙাওবা শাবা নুপাদু
ঙাওদ-ঙাওরবা মীদু মঙায়
হন্দক্তি মখোয় কাঙবুনা
চহীসিগী মনাদি শোয়দ্রে।
মঙরকপৈ ৱারীনি।
খুরা তোমালসে ফদি ফবনিদা!
লৈবা য়ারিবনি, চহীসু য়ামদ্রি
ওন্থোক্লা নুংঙাইখ্রিদেদা!
মহাক মীয়ামগী খনবী মীনি
অফবা মীদি লাইনা পামই।
মথৌ লোইবনিনা অমুক হনখ্রে
মীনুংশি য়াওদবা ময়াম অমা
মপূনা কনবিদুনা থম্বীরি
মখোয়গী মথৌ লোইদদুনা লৈরিবনি
মখোয়সু নোংমদি চৎখিদোইনি
অমুক হল্লক্লোইদবা মফমদুদা চৎখিদোইনি
পুন্সিসে লীলানি লীলা!

## হেন্নদুম নুংশিরক্লিবা ইরমদম

**—সমরজিৎ লাংওনবা**

ঙাওরি শুমহৎলি ঐদি
পোক্লফম লমদম ফম্বাক্তা
মহাক্কী করম্বা খোয়থুম্নরবা
লাইৱা পুবা মালংবনা
শুমহৎ য়াই থারিবা।
খঙনা খঙনা খঙহৌদ্রবা
উনা উনা উহৌদ্রবা
অকনবনা অশোনববু য়ৈবীরিবা
কোকউ য়াদ্রবা দাগফমশিংদো
থম্মোয় শোক্লা খাঙনরি।
শিংনরি কনাদনো খঙদ্রি
মীপূম খুদিং ঙাওহল্লি
চিনবান্দা মুরুম-মুরুম
খুদিংমক অঙাওবা ওইহল্লি
মসিননি ইনোৎ হাপ্লিবা
হেন্নদুম নুংশিরক্লিবা ইরমদম।

## মঙলান

**—থোইবী হাও**

তূমথবা ঙমদ্রে ঙসিগী অহিংসে
ফুম্বংনরবা ৱাখলনা লমজিংদুনা
পুবিরি ঐবু মঙফাওনদ্রবা মঙলান অমদা।

মঙলানদো মঙখিবনি মতম অমদা
ঙাওজখিবনি মঙলান অদুদা
নোকচখিবনি মঙলান অদুদা।

অদুবু ঙসিদি কদায়দা চৎখ্রবা
শোন্থরবা থম্মোয়দুবু
থৌনা হাপ্পীরিবা মঙলানদো।

মাঙখ্রে ঙসিদি মতমগী ঈরোলনুংদা
মমি শামখ্রে, মচু থোকখিদ্রে।

থিরি ঐনা হৌজিক্তি
মঙলানদো কদায় চৎখ্রবা
হিংজখিবনি মঙলান্দুগী মরুমদা
ওইখিবনি হিংনবগী মরম
হাপ্পীখিবনি থৌনা, পীবিখিবনি লম্বী।

ও! মঙলান্দো অসুম মাঙখ্রদরা?
হংলি তৎতনা থম্মোয়সিনা।
মখোল থোক্লা হংজবদি ঙমদরবা
পাঙ্গল লৌশিং থোক্ত্রবা ৱাখলসিদা
থিরি ঐগী মতম অমগী মঙলান্দো।

## লমুক্লবা

**—লাইতোঞ্জম তোম্বা**

চাশিনখ্রবা থৱায় মচাশিংদুনা
চোঙথোরকই মমিৎ মনা শুক্তোল্লদুনা
তান্নরকই জীব মচাশিং য়োৎকদবগী।
মনীং তমজনবা থাক্লকই লাং
মসিদা থুখ্রবদি চৎপা ঙমদনবা
মচেৎ-মচেৎ শেত্তুনা চাখিনবা
ময়া থৌরবা অশিবশিংনা।
ককঙাওনরিবা হিনাউশিং মায়কৈ খঙদ
য়াঙনা থৌদুনা য়ৌগে খল্লিবা
ইন্দ্রি ৱাখলগী থৌনাশিং
কেল্লবা তাঙ্গৈাই মরক্তা - থিরি
চামথোক্লবা মীৎকী সমুদ্রগী অশাবা মহীনা।
মনীং তমজরুবা হকচাংশিংদুগী
কপ্পি নীংঙাইদনা মালেম লেমনা
মতম্বাক্তা চেজেৎ কোল্লদুনা।
মৈশালক্কী নীংঙমদ্রবশিং, পুন্সিশিং
খিকথরকই লীক্লা, অকনবা নোং অতিয়াদগী
অদুগা চেকখায়’গৈসু হৈথরকই - মৈশাশিং।

## ইমাগী মীনুংশি

**—সুরজীতা মোংজম**

অকনবী, থৌনা ফবী পোকপী
নুংশিরবী ইমা লৈবাক।
লময়ানবা, থৌনা ফবা কয়া পোকখি
অথৌবা নপারি কয়াসু নতম্বাক্তা।
মীনুংশিগী লৈরাং পরেং
চীংশাং পরেংনা ইন্নফি নাওহোং ওই
কংলৈপাক ইমা পুক্কে চোনবী
নাওরোক নাওকোন্দা মীয়োক মীচান
খেন্নবা লৈতনা নাওকোনবী
লুরবা লাইজগী লৈশক লৈচু শাইওল্লিবী
চীংশাংনা লৈশাৎ তল্লিবা
হাংলবা মালংনা মহৈ-মরোং য়াল্লিবা
মালেমগী তম্পাক্তা মরূ হুনবা লম
লোইজিং লোয়া চীংশাং নাপোম
ফৌনানা জ্বাই-জ্বাই হুম্বা লম
নঙগুম্বী লৈতে মালেমদা ইমা।

## কদায়দবু থম্লুনি

**—থাংজম বিশ্বরজিৎ**

ঐগী কলমনা তাল্লিবা
ঐগী পাঙ্গলনা তাল্লিবা
অরানবা লুপা ময়ামসে
তাইবঙদদি থম্ফমগী থম্ফম ঙাক্তনি
অদুবু ঐনা শিখিবা থোক্লবদি
লেনহৌবা তারেদো ইচাশিংদি
শূনীংদবগী ঈরোলনুংদা লুপখিদুনা।
হকচাংদি লৈহৌরগনি মালেমদা
কদায়দা থম্লুগনি লুপা ময়ামসে
অশি লৈবাক্তদি লৈতে হায়নৈ
লুপা অমত্তগী থম্ফম।

# খুমজিনবা ঙমদ্রবা পুন্সিগী চেনা

## (নুংশিববু ঈরাৎচরিবী অইবী অমগী থমোয় য়াৱাশিং)

**নুংশিবা।** নুংশিবা য়াওদবা থমোয়, নুংশিবা য়াওদবা পুন্সি, নুংশিবা য়াওদবা মালেম খনবা ঙমদে। থমোয়গী ঈথিল পূন্বদগী খ্বাইদগী কনবা ঈথিলনি। মসিননি নুংঙাইবগী লুতোন কারিবা, মসিননি নীংবা কায়বগী পতালদা থাদরিবা। নুংশিবগীদমক ঙমদবা লৈতে, হাৎনৈ, লান তৌনৈ, মীবু ঙাওহল্লি। হায়নরিবনি, নুংশিবা মাননি মালেম অসিমক চৎহল্লিবা। কবি রোবর্ট ব্রীজেসনদি মালেম অসিমক নুংশিবনা শেম্বনি হায়রি। নুংশিবদি থৱানমিচাক মশীং থীবা ঙম্মী। অমুকসু ডি জি রোসেটিনসু হায়, “নুংশিবা হায়বসি স্বর্গ য়ৌনবা অরোইবা খোঙনেৎফম্নি।” কয়াদা ৱাংনা থাঙ্গৎনখ্রবা। অদুনা জোন লেন্নোন্নদি, মীনা হেক তঙাইফদবা পোৎশক হায়বা তারবদি মদু নুংশিবনি হায়রি।

অদুদি নুংশিবা হায়বসিবু করিনো? কনানসু মসিবু মসিনি হায়না পুথোকপা ঙম্লোই। মরমদি নুংশিবদি মপান নাইদবনি, ঐখোয়না মসিনি হেক হায়রুবদা মসি পিকশনখিদৌরিবনি। ইংরাজি কবি রোবর্ট ব্রাউন্নিংগী নুপী ইলেজাবেথ বেরেট ব্রাউন্নিংনা হায়, “নুংশিবা হায়বসি থৱায়না পাকপা-চাউবা ঙম্বা অদুক পাক-চাউই। মাগী ৱাহৈদা, "I love thee to the depth and breadth and height/My soul can reach/ When feeling out of sight." অমুকসু ১৭শুবা চহীচাগী অমেরিকাগী অইবী এন্নে ব্রেদষ্ট্রীটকী ৱাহৈদা, "I prize thy love more than the whole mines of gold/ Or all the riches that the East doth hold." (To my dear and loving Husband). ভারতকীসু লৈরি নুংশিববু শৈথাবা। নাইটিঙ্গেল ওফ দ ইষ্ট হায়নরিবা সোরোজিনি নাইডুনা লন্দন্দা লাইরিক তল্লিঙৈদা ইরকখি, মাগী নুংশিবদা অসুম্না, "My Darling!/I am so tired - so tired - why are you not near to take me to your heart and kiss away my weariness?" (24 April, 1895) ঐখোয়গীসু মদু মঙায়। মহাকাব্য ‘খম্বা থোইবী শৈরেং’ নুংশি শৈরেংনি। কবি অশাংবম মীনকেতনগী ‘পিয়ে থাদোই’ নোংবালগী মৈচাক পুবা শৈরেংনি। কবিগী অঙকপা খূৎশেম্নি।

ঐনা ৱাফম খরসি পঞ্জরম্বগী মরমদি ঙসি পায়খৎচরিবা শৈরেং অসিদি মৈবা চিংলবা নুংশি শৈরোলনি। ঐখোয়গীসু অইবী অমা চোংথোক্লক্লে, নুংশি মৈনা ঙাওরবী, চেক্লা পূংবা তোংমিন্নরম্বদগী অমনা কায়ন-তেন্না পানখ্রবী, নীংশিং-নীংশিং কপ্লিবী অইবী অমগী খোঞ্জেলনি। খোঞ্জেল অসিমক্তি তারুবা খুদিং তু চুংনা নুংহিক্লগনি। থমোয় লকানুংদা ফুমদুনা থম্বা ঙল্লক্ত্রদুনা চিনবান লাল্লক্লবী, চিনবান লানখিবদা নত্তনা ময়েক্লা নুংশি শক্তম অমা শাগৎলম্লগে লেপখ্রবী অইবীনি। থিম অসিখক্তা লৌখৎতুনা করিগুম্বদা নুপীগী শক্তম লৌ, করিগুম্বদনা নুপাগী শক্তম লৌ, করিগুম্বদনা পোমশাৎনবী লৈরাং, করিগুম্বদনা খোঙ্গুলদা তারবী লৈরাংগী মশক লৌদুনা মাগী থমোয় মপাউ তল্লি লামায় খুদিং। অচোইবা শৈরেং ওইনা পারবসু ফজৈ। পুল্লপ্পা শৈরেং অশাংবা অমা ওইনা পারবসু ফজৈ। থমোয়গী য়াৱানিনা, থমোয় খুদিং য়ৌবা ঙম্বা ৱাহৈ য়াওরি। মহাক সৌবাম সোবিতানি। মাগী অহানবা খূৎথানি। অদুনা শৈরেংগী কাঙলোন পাল্লুবা য়াদ্রি। শৈরেংদি শাদোং ওইরুবদনি। ৱাহৈদি চিক্লবা লকানুংদগী শীৎলকপা মালেম খোনবা মালংগী শউমনি। অদুনা অইবীনা মাগী খূৎশেম অসিবু মাগী থৱায় ওইরিবা, মাঙখ্রবা নুংশিবদা পুল্লপ কৎথোকচরি। অদুনা হায়, “নঙগীদমক্তা পামজনা ইজবা শৈরোলনি। খুমজিনবা ঙমদ্রবা পুন্সিগী চেনাশিংনি।” (কচচবা) লোৎলম্বদগী ফোংলকপা হায়বসিমক্তবু থমোয় ঈথিলনা পুথোক্লকপা নত্তনা, অঙাওবা নুংশিৎ য়াওদনা ওইথোক্তে। অদুমক্কি অইবী অসিনা লৌরিবা মতৌ। মতুং ইনবা ঙমদবদা মঙায়রে, থৱায় অনীদি ঙসিসু অমতা ওইরি। অদুনা মানা মনাক্তা লৈরবগুম পাউমেঞ্জে, “খাঙঙমদ্রবা থমোয়সে খাঙদুনা/থাংলিবা খোঙথাংনি পুন্সিগী লম্বীসিদা/নঙগী নুংশিবদি ঙসিসু ময়েং তাদ্রি। ... নঙবু উবা ফংদ্রবসু তাইবঙদা অমুক হন্না/মঙলান্দা তোয়না লাকউকো, নুংশিবা!” (খুমজিনবা ঙমদ্রবা পুন্সিগী চেনা, লা: ২) কয়াদা নুংশিখ্রবা য়াৱানো? লাইওইখ্রবা থৱায়দু স্বর্গ য়ৌখিদৌবা নুংশি শৈরোলনি। শৈরেংসিমক্তদা অইবীনা থৱায়দুবু মীনমজদ্রি তাক্লি। ফোঙদোকপদা ইকাই শেঙ্গোয় হাঙগদবা ৱাহৈফাও প্রমান অমনা তাক্লি, “নঙনা নঙগী লৈকোলদা থাবিরম্বা/নঙগী হৈপাল-লৈপালগী চারাশিং/শেন্নরি মিৎকুপ অমতা চোইথোক্তনা ঙসিসু।” নঙগী নুংশিবা ময়েং তাদ্রি হায়জরিবনি। নচা-নশু কুপ্পা শেন্নরি হায়রিবনি।

অমুকসু নীংশিংবা কৌবা অদুতনা তাইবঙদা লৈহৌরিবী অইবীগী হিংনবগী মচাক ওইরি। অদুনা হায়, “অহিং তাংলৌনা থেঙলক্লফাও/নীংশিংলকই অমমতা ওইনা/ হৌখ্রবা পুন্সিগী চেনাশিং/হে পাম্মুবা! লাক্লোগবা নঙবু/নঙগী মায়কৈ য়েংবদা/নুজাগী থম্মোয়সে খাঙঙল্লক্তরে।” (লেল্লগে ইদোম, ঙাইজরি, লা: ৮, লা: ১১)

অইবী সৌবাম সোবিতাগী ৱাহৈদা অকনবা য়াওদে। ঈগী শৈরেং য়াওদে। পূম্নমক য়েন্নীংথা মমৈগী মেঙলবা ৱাহৈ ঙাক্তনি। পোক্লফম মরমদম মণিপুরবু শৈথারবসু, ৱাকচীংগী গুলাপ্পু উরবসু, মাগী পুন্সিগা মরী লোইনা শমজিল্লকই। হিংদবদি য়াদে খন্না, মোংলকপা ৱাখল মথঙ মথঙ শৈথারকপনি। মসিদা য়াওরি, মানা অঙাং ওইরিঙৈ, লাইধি শান্নরিঙৈগী শৈরেং, লৈশা পুংকক চাউরকঙৈগী উরু-উরুবা খুদিংমক নুংশিরকপগী তাঞ্জা, হৈনৌ মপাল, চুম্ব্রে মপাল লোইনা পন্না ইরি।



| মমিং | ঃ খুমজিনবা ঙমদ্রবা পুন্সিগী চেনা |
|---|---|
| মখল | ঃ শৈরেং |
| অইবী | ঃ সৌবাম সোবিতা দেবী |
| ফোংঙবা চহী | ঃ ২০১৮ |
| অফোংঙবা | ঃ মণিপুরী লিটরেরী সোসাইটি |
| মমল | ঃ ২০০/- |
| পাউদম্লিবা | ঃ সলাম তোম্বা |

ইতোপ তোপ্পা অইবীগী ফজবা অমতং হায়বা তারবদি ইম্পর্সোনেসন হায়বদি নুপাগী শক্তম লৌরগা মাগী মৈচাক ফোঙদোকপা ঙম্বা অসিনি। অমতং য়েংবা য়াই, খাঙঙুথক্তা লৈমন চনখ্রবা মাগী চান্নববু নীংঙমদনা শৈথারি, “কুইনা ঐগী ওইয়ু তল্লমদ্রবা/থম্মোয় অনীদি তিন্নখ্রবা/নুংশিবী নঙবু থৱায়দগী হেনবা/... নঙগী থৱায়গী য়াইফবনা/ঐগী অপেনবা ওইরগে।” (নঙগী য়াইফবনা, লা: ৬) অমুকসু নুপাগী শক্তম লৌদুনা সোবিতানা ইরি, “নুরা চাম্মনা শিরগা পাখঙ চাম্মনা ঙাইনচীং/পাখঙ চাম্মনা শিরগা নুরা চাম্মনা ঙাইনচীং/মকোই নুংওন চীংখোঙদা ঙাইনসিকো চান্নবী।” (নুংশি শৈরোল, লা: ৪৫) ফজবা খূৎফোঙদোক্লি হায়নীংঙি। অমুকসু চনুরা ওইবী মাগী লৈশাগী পুন্সিদা লমচৎ কারল তাখিবা লৈতে হায়বদু মশানা ফোঙদোকপবুদি ইম্পর্সোনেসন তৌদুনা নুপাবু ফোঙদোকহল্লি, ফজৈ খল্লি। মানা হায়, “লাইরেম্বীনি নঙদি ঐগী থম্মোয়গী/থম্মোয়নুংদা থাগৎলি নঙবু হন্না হন্না/ঙাকখিবনি নঙনা লৈশাবীগী লিচৎ/কনখিবনি নঙনা লৈশাবীগী ইজৎ।” (লানখিবনি ঐনা, লা: ৩৭) অনৌবা খূৎফোঙদোক অমনি হায়না খল্লি।

অমুক্লা অইবীনা ফোঙদোক্লীংবনদি থবাক ফুল্লবা, অদুবু মাগী কল্পনানদি মসা তেক্লবা চেক্লা ওইরবদা মানা কপচৈ, অদুগা ৱারৌ পুক্লৌনা মদোম ঙাঙজৈ মাগী শৈরেং লাইরেম্বীদা অসুম্না, “নঙদি ফোঙদোক্তবা নুংশিবসি কয়াম ৱারমগনি খঙদে/... নঙ লাকপা লম্বীদা নঙবু য়েংজবনা ঐগী ইথৌদাংনি/নঙদি মুর্ত্তিনি ঐগী থম্মোয়নুংদা ঙাল্লিবা/নঙদি ঐগী কল্পনানি য়েক্লিবা থম্মোয়গী লাইয়ুমদা।” (ঐগী কল্পনা, লা: ৪৮)

অইবীগী Light vein দা ইবা শৈরেংসু অদুম ফজৈ। মতমসিদা ফেসবুক্তা ঙাওনরিবা কয়াসি অইবীনা করেম্নে। কান্নদবা পোৎনি হায়না নাকোইননা চৈরি। মানা হায়, “ফোটো ফজবা নম্লুগে এডিটিং ফজনা তৌহনগে/ফেসবুক্তুম হাংদোক্কে ফজবা ফোটোদু থাগৎকে/মদুদগীদি ঐবু ফেসবুক্তা তান্নরক্লনি, ময়ামগী ৱানটৈদ/তানরুখিগে স্কোলর ময়াম অমা ঐ চৎলে।” (ফেসবুক্কী ৱানটৈদ, লা: ৫২) মতমগী মিহুন পুবা শৈরেংনি হায়নীংঙি।

নাকল অমদনা অইবীনা মাগী পুন্সিগী ফিরেপ অমদা হিংজরিবনি হায়বদু উৎলি। পান্দম লৈতবা মাগী পুন্সি খোঙচৎ নত্তে হায়বদু অপাবশিংদা তাকই। মানা হায়, “পামদে ঐদি মীবু ৱাহনবসু/পামদে ঐদি মীবু নোকহনবসু/পামদে ঐদি মহুৎ মেনশনবসু/পামদে ঐদি মীবু কপহনবসু।” (য়েংলরোই পুন্সিবু হঙ্গৎনা, লা: ৪৭) ৱাহন্থোক য়াম্না লৈবা পরেংশিংনি। পরেংশিংগী অহৌবা ৱাহৈ মান্নহনবা, লোইবা ৱাহৈ মান্নহনবা ফজবা খূৎশেম্নি। মসিদা য়াওরিবা, ‘মহুৎ মেনশনবা’ হায়বা ৱাহৈ অসিনা তাক্লি, অইবীদি লৈখিদ্রবা থৱায় অদু নত্তনা কনা অমা য়েংখ্ররোই হায়রিবনি। নুপীশিংদা পীরিবা মেসেজ মখল অমনি।

অদুবু সোবিতা নুপী অইবীশিংগুম শীংনবা ঙম্মী হায়বদু মাগী শৈরেং অমনা তাক্লি। নুংশিবা মাগীদমক মখোঙ মখূৎ য়োহ্লিং থাংজিঞ্জরবসু তায়োন্নবা তাঞ্জা লাক্লবদি শীংনগনি উৎলি। নুপাগী মায়োক্তা লেপ্পা ঙমগনি হায়রি। অদুনা মানা হায়, “নঙনা খল্লম্বা য়াই/নঙগী নুংশি মৈচাক্লনি/নত্তে মদুদি নঙগী অরানবা ৱাখলনি/ঐ ঙম্মী নঙগুম্না নূংগুম কনবা থম্মোয়দো/য়েকপা নত্তে নঙবু ঐগী থম্মোয় লাইয়ুমদা/শীংনবনি ঐনা নীংশিংলগা নঙবু।” (শীংনবা, লা: ৩৩) থোৎপা লৈনানি, কনবদা নূংনি হায়রিবা মওংনি। ফজবা শৈরেংনি। মসিনা তাক্লি, অহানবা শৈহৌমক্তদা সোবিতাগী শৈরেংগী পাদম অসি করিনো হায়বা। মাগী থমোয় মরেপ ওনবা লুরি।

মাগী তোপ তোপ্পা শৈরেং অমগা য়াওরি। মতম্বু মশক মুন্না খঙবা। Walt Whitman না হায়বা, হৌখ্রবা মতমদি শিখ্রবনি, তুংদা লাক্কদবসু তম্বা ঙম্বা নত্তে। লুদৈ লুবা মতমদি ‘হৌজিক’ হায়বা অসিনি। হৌজিকপু ঐখোয়না চেকশিন্না শেন্নগদবনি। অদুনা সোবিতাসু ইরকই, ‘কায়খিবনা হানবা তারে মালেম’ কৌবা শৈরেং অমা। মসিদি ইংরাজি কবি Andrew Marvell গী শৈরেং 'To His Coy Mistress" হায়বদু নীংশিংহল্লি। মানা ইরম্মী, "Had we but world enough, and time/This Coyness, Lady, were no crime." ঐখোয়গী সোবিতাসু ইরি, “কায়খিবনা হানবা তারে মালেমসে/ইবান্নি ৱাখল অমদি খন্নহৌসি/চৎহৌদবা তারবদি ইবান্নি/থুংনহৌদবা তারে, নুংশি পন্থুং।” (লা: ৫৬) ফাগীদি মানবা, অচুম্বা ৱানা ফাগী তৌবগী মশকনি। ফজৈ হায়নীংঙি।

লোইশিল্লকপদা হায়নীংঙি, সোবিতা শৈরেং ইবা পকচরে। পুন্সি চেনা হাংবা হৌরবনিনা, থমোয় য়াৱা মথঙ মথঙ লেপ্তুনা ইথোকহন্নীংঙি। ফজবা হায়বদুদি ইর ইরগা মদোম লাকচগদবনি। মথঙগী শৈরেং ঙাইহরি।◀◀

# নুংথিলনা নোংঙান্দ্রবা অহিংদা য়াতাখিবদা

**ইবোহল** ঐগী পিক্লিঙৈগী মরুপনি। মাই মপাদো সিনেমা হোলগী গেটকিপর ওই। ঐনা খনখি ঐগী মরুপসি কয়াদা মরাইবক ফখ্রবা মীনো।

ঐখোয়না পিক্লিঙৈদা ইম্ফালদা টি ভি লৈরমদে। সিনেমা হোলদা য়াম্না তাঙনা সিনেমা য়েংলকই। নোং ফাদোক্কী ৱানি। খূৎ থেক্তুনা পাবদা পাশিত্তে। মদুসু পুঙ্কক চাউরবা মতমদৈনি। অমুক্তি দেদিগা ইমাগা ঐখোয় ফ্রেন্দজ টৌক্কিজদা য়েংমিন্নখি। অমম্বা মরক্তুদা মী মকোক মরক্তুদা হৈনখিদে। চৎলসি চৎলসি ঙংখি। করিদগীনো খঙদে ঐ ইনাওনুপানা তোংলিবা খোঙউপ নাম্মা লৌথোক্লগা বেলকোনিদগী মখারোমদা ফ্রন্ট সিটলোমদা লংখি। মতাংসিখক নীংশিংই। মচা অনীগী দোরিদগী সিনেমা লোইশিন্দনা হল্লকখিবরা নীংশিংদে। লংখিবা খোঙউপ্পা মীওই অমদা পাল্লুব্রা - পান্দি পানখিদমাল্লে লাউরকপা চৈরকপা তাখিদে।

ইবোহল হাপ্তা অমদা অনীরক অহুম্লক্তি মপাই মনাক্তা হেক হেক চৎলি। স্কুল লোইরগনি। ঐখোয় ময়াম নুংতিগী শান্নবা মতমদা। মানা চৎলিবসি মপানা হান্না লৈদুনা থন্নল্লবা পোৎ- চৈ লৌবা চৎলিবনি। মাগী মমা শোল্লি। অয়াম্বা মতমদা ফমুংদদা লৈবা উই। ইমুংগী হেক চঙগদবমখৈ মপানা লৈরগা ইবোহলনা লৌশিল্লুই। মানা হেক অচৎ খুদিংগী সিনেমা মতেক মতেক য়েংলকই তম্মী। টিকেট কক্ত্রসু মপানা গেটকিপরনিনা অহাংবা চৌক্রি অমদা ফমহনদুনা য়েংহনবনি। ইস, ইবোহলসি কয়াদা মরাইবক ফখ্রবনো?

ঐগী মরুপসি ৱারী লীবা হৈতে। মরৈসু তৎলি। অদুবু মানা উরকপা কনবনা মচুম তারবা সমসন, হারক্যুলিস, শগোল অঙৌবা তোংবা কাউবোই মরৈ তৎ-তৎ তৌদুনা তম্মী। ঐখোয়দা লীবি। তাবদা য়াম্না নুংঙাই। সিনেমা য়াম্না য়েংনীংই। মপাই মনাক্তা চৎলুরগা মানা শান্নবুংলোমদা হেক লাকপদা ঐখোয় ময়াম্না য়োমশিন্দুনা ৱারী তাই। সিদা নত্তনা ইবোহলগীদি মপানা পুবিরকপা সিনেমাগী পোষ্টর ময়াম অমা লৈ। মদু অমমমতা ফাক্তোক্তুনা ঐখোয় মাগীদা ইতৎ তত্তনা য়েংই। নোংমদি কনানোমনা ফাক্তোকপদা শোয়দুনা অমখক শেগাই। ঐখোয় পাখৎলি। ইবোহলনা ইমুংদা লৈরিঙৈ তাল্লক্তনি। পোষ্টর য়েংবা তোক্তুনা শেগায়রিবদু করম তৌগদগে ঙকচানদুনা লৈ। ইবোহল থোরক্লগা কৈসু কায়দেদা হায়বদুদা নে হেক তাই। শেগায়বা পোষ্টরদু শ্যামদদুম পীথোকখি - মদু শ্যাম্না চিংবদা শোয়বদগী শেগাইখিবা ওইরমাল্লে। ইবোহলসি মবুক য়াম্না ফৈ। পুকচেলসু চাউই।

নোংমদি মরুপ্তো মপাই মনাক্তা চৎলুরগা খরা ঙন্তক শান্নফমদা লাকই। ঐখোয়দি ঙসাইদৈ মা হল্লক্লদি অনৌবা ৱারী অমা লীররনি হায়দুনা লৈরিবনি। মনাক্তা চেনশিল্লি। মাবু পুমকোয় কোয়শিল্লি। মানা তপ্পা, নুংঙাইতনা হায়রকই,

‘ঙসিদি য়েংহল্লক্ত্রে।’

ঙকই। মবুক ফখ্রবা মরুপকী মপানা মচাবু ঙসিদি করিগী য়েংহল্লক্ত্রিবনো। ঐখোয়সু ঙক্তুনা করি ৱাফম্না মখা তাগদগে খঙদনা মাবু কোয়শিন্দুনা অদুম লৈ। মানা তপ্পা হায়রকই,

‘মদু ‘এ’ নি।

‘এ’ হায়দি? ঐখোয় ঙকপনা লোইরে। মানা শমথরকই,

‘বাবানা হায়বু ‘এ’ হায়দি অঙাংনা য়েংবা য়াদে হায়। হয়েং চাউরগা চহী ১৮ শুরগা য়েংবা য়াই হায়।’

ইস, চহী ১৮ হায়সিদি য়াম্না ৱাৎলি। ঙসি হয়েংগী ৱা নত্তে আ-হয়েংৱাইনি। ঙকনা নুংঙাইতে। কৈনো অঙাংনা য়েংবা য়াদবা পোৎ হায়সিবু। অঙাং চুরুট থক্তে। অঙাং য়ু থক্তে হায়সিদি খঙই। অঙাংনা য়েংবা য়াদবা সিনেমা হায়সিদি তাবদা ওন্থোক্লা নুংঙাইতে। অহল ওইবা হায়সি নুংঙাইখ্রবা জাৎনি। পৈশাসু পায়। অচাপোৎ চানীংবমখৈসু লৈদুনা চাবা য়ারনি। য়েংবা য়াদবা সিনেমাসু লৈররোই। তৌবদি মরাল পকত্রিবা অঙাংগী পূক্লিংদা তাবা অৱাবা মমিগা, য়াম্না উদুনা-তাদুনা, য়াম্না থেংনদুনা অমগা অমগা চাংদম্নদুনা য়েংগনবা অহলগী পূক্লিংদা তাবা মমিগা খেনদি খেন্নে। খেন্নবা য়াবমখৈ খেন্নে।

মতমদুগী ফেশন্দি স্কুলগী তম্নবা লাইরিক হৌখ্রবা চহীগী কেলেন্দরনা, পাউচে অমনবনা চেখুম ওইনৈ। উনা চেনা লাইরিক চেখুম ওইবদি ক্লাস অমদা মহৈরোয় অমতংগা য়াওই। তাঙই। চহীগী পরিক্ষা লোইরগা মথক্কী ক্লাস কাখৎলকপগী মতমসি লাইরিক চেখুম পানবগী অচৌবা কুম্মৈ অমনি। পুথোক্লদুনা ফজৈ ফজদে য়েংনৈ। ইবোহলগীদি তোংঙানবা চেখুমনি। মাগীদি মপানা পুবিরকপা ফিল্মগী পোষ্টরনা পানবনি। ঐখোয়না পামখ্রবা চেখুমনি। তিন কুৎ কুৎ য়োত্তুনা য়েংনৈ। লৈতবগী পান্দবনি। পান্নীংখ্রবনি। লোইনমক নৎত্রসু অমখক্তং ওইরসু।

ক্লাস থ্রি কাবা হৌবা নুমিৎনি। অহৌবা নুমিৎনিনা হাফ হোলিদে থাই। স্কুল লোইরকপদা ইবোহলনা ঐবু খূৎ খত্তুনা তোঙান্না কৌথোরকই। ৱা অমা হায়।

‘বাবানা নঙনা ফার্ষ্ট তাবদু য়াম্না হরাউখ্রে। ঐবুসু লাইরিক কন্না পাউ হায়। মকোক মথং তানবা। অদুদা ঐদি অঙ্ক শোল্লি। ওজানা পীবা হোম ৱার্ক নঙনা খরা খরা মতেং পাংউ। নঙগী লাইরিক চেখুম পান্নবা সিনেমাগী পোষ্টর অমা ঐনা পীগনি। অনৌবনি। হৌজিক হৌজিক ভুটকী য়াম্না নুংঙাইবা ফিল্ম অমা বাবাহোইগী হোলদা তৌরি। য়াম্না কিখ্রবা জাৎনি। হয়েং স্কুলদা পুরক্কে।’

নুমিদাংদু য়াম্না শাংই। নোং ঙালহন্নীংবনা-নোং ঙালহন্নীংবনা। নুমিদাংনা অসুক শাংলিবসি কৈগীনো। য়াম্না তেল্লদি নুংঙাইনি। নুমিদাং হায়সি শান্নবসু য়াদবা তনখ্রবা মতমনি। কাংসু চিকপা। ইমম হেক মল্লদনা। হয়েংদি ঐ ভুটকী সিনেমাগী পোষ্টর অমা ফংলনি। ঐনা হৈনবা অঙ্কগী লাইরিক ওইনা মদুনা চেখুম পানগে। পানবা লোইরগা ইমাদা উৎকে। ইমান্নবশিংদসু উৎকনি। মচেৎ খরা লেম্বনা তেলঙ্গা মমৈ ওইনগে। শাংখ্রেদা অহিংসি। নোং কোক ঙাল্লবদি ফগদবনি। সুম মমদুনা লৈরিসি কৈগীনো। ঙনলিমাল্লে। চাকখুমদগী ইমা থোরক্ত্রি। ঐখোয়গী ইমা কুদাম তৎপা পানগনবী ফূরিৎ অমোৎপা শুগনবী খঙনদবৈ হুইগুম খোংগনবী, চৈগনবী ইমা চাকখুমদা মরা তাখ্রে।◀◀

*-কাংজম রাধাকুমার*

*(অইবগী ফোঙখ্রবা ৱারীমচাগী লাইরিক **‘মীৎকুপ অমতং’** দগী লৌখৎচবা)*

*পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেং অমদি শৈরেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্লা মরী লৈনদে।*